ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, April 25, 2021, Imphal







যুরোপকী ওইবা অনৌবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুপর লীগ প্রোজেক্ট মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্বগী লম্বেল লৈখিদ্রবসু যু ঈ এফ এনা থল্লকখিবা সেঙ্কসন পূম্নমক যুভেন্টসনা অকিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা কোচ এন্দ্রি পিরলো

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মমাংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইখিবা অদুগা হৌজিক্লা মীয়াই চল্লক্লবা অমদি নহা ওইরিবী নুপী অনীদা অশাওবা ফোঙদোক্তুনা খূৎ থাখি হায়বগী মরালদা চার্জ তৌখ্রবা রায়ন গিগ্স

## খুস মোরিসকী ফজবা বোলিংনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু ৰিকেট ৬তা রাজস্থান রোয়লসনা থোইখ্রে



মুম্বাই, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মুম্বাইদা লৈবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১৮শুবা মেটচতা খৃস মোরিসকী ফজবা বোলিংনা ৰিকেট ৪ লৌদুনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু রাজস্থান রোয়লসনা ৰিকেট ৬তা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস রাজস্থান রোয়লসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৩৩ খক লৌবা ঙমখি। রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী ফজবা বোলিংগী এটেকশিং অদুনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী বেটসমেনশিংনা ফজবা স্কোর অমত্তা তৌবা ঙমহনখিদে।

রাজস্থান রোয়লসকী বোলর খৃস মোরিসনা ওভর ৪ লংবদা শুপ্নগী রন ২৩ খক পীরগা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী বেটসমেন ৪ আউট ওইহল্লগা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর নেমহনখিবনি। কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী অহুমশুবা বেটসমেন ট্রিপাথিনা বোল ২৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১ য়ৈরগা রন ৩৬ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৭শুবা বেটসমেন দিনেশ কার্থিকনা বোল ২৪দা রন ২৫ লৌখিবা অমদি ওপনর নিটিশ রানানা বোল ২৫দা রন ২২ লৌখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্কনবা রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী রন ১৩৪ লৌবগী টার্গেট অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটসমেন ৪ খক আউট ওইরগা ১৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৰিকেট ৬তা থোইখিবনি।

রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী ইন্নিংস হৌরকপদা কা-হেন্না ফজবা ওইখিদে। অপূনবা স্কোর ২১ য়ৌরকপদা ওপনর জোস বটলর শুপ্নগী রন ৫দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা সঞ্জু সেমসন অমদি য়াসাসভি জেস্বালনা অনীশুবা ৰিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৪০ ফাওবা পুখৎলকখি। জেস্বাল মশাগী স্কোর ২২দা আউট ওইখিবদগী সিভম দুবে শান্নবা চঙলকখি। সেমসন আউট ওইদনা বোল ৪১দা রন ৪২ লৌবা ঙমখিবা অমদি দেবিদ মিলরনা আউট ওইদনা রন ২৪ লৌদুনা মেটচ অদু মায় পাকহনখি।

## লিভরপুল অমসুং ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ দ্রো চৎখ্রে, অর্সনেল এবর্টনগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীহৌরে



লন্দন, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগগী মমাংগী সিজনদা টাইটল লৌবা ঙমখিবা লিভরপুলদা লীগ অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ন্যু কাসলগা ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা অর্সনেলগী টিম এবর্টননা ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিভরপুলনা য়ূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ লন্দনদা লৈবা ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা লিভরপুলগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা ইজিপ্ট মচা মহমদ সালানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচ অদুগী মখা তারকপা অহানবা হাফকী মিনট ৪২গী মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লিভরপুলনা ১-০দা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু হেন্দুনা লৈখি। ২শুবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পুশিন্নখিবা এটেকশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈখ্রবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ শুজিল্লকখি। ইঞ্জুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ শোখদুনা লৈরিবা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী দ্বাইট গেলনা পীরকপা বোল অমদা জোসেফ ৱিলোকনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদুদা লিভরপুলবু পোইন্ট ৩ ফংবগী ৱাখল্লোন অদু মরক্তা তেনশিনহনখি।

এবর্টনগী বর্ন লিনোনা চনখিবা পাঞ্জল ১না অর্সনেলবু মখোয়না ১-০দা থোইখি।

## কিলিয়ান মাপেগী পাঞ্জল ২না মপূং ওইরগা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মেটজপু ৩-১দা থোইদুনা লীগ ১গী মকোক থোংলি




পেরিস, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা নম্বর ৱান থাক্তা লৈরিবা লীগ ৱানগী ঙসি অথেংবা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অমদা মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী কিলিয়ান মাপেগী পাঞ্জল ২না মপূং ওইরগা মখোয়না মেটজপু ৩-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

মেটজনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৪শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী এন্দর হেরেরানা পীরকপা বোল অমদা কিলিয়ান মাপেনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল ঙন্না চনশিনখ্রবা মতুং পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা মেটজকী মায়কৈদগী ফারিদ বোলায়ানা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা ফাবিয়ান সেন্টোঞ্জেনা ইক্বেলাইজর অদু ৪৬শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ মখা চথরকপা শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কিলিয়ান মাপেনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটজপু মখোয়না ২-১দা মাঙজিল থাদুনা অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা শরুক শান্নবা ঙমখি।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবা পি এস জিগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখিবগী খূদোংচাবা অদু ৮৯শুবা মিনটতা মোরোক আইকার্দিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু ৩-১দা থোইখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 90

**Svidler, Peter (2747) - Topalov, Veselin (2735)**
**GMA Wijk aan Zee NED (7), 2004.01.18**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 a6 | 6.f3 e5 | 7.Nb3 Be6 | 8.Be3 Nbd7 |
| 9.g4 Nb6 | 10.g5 Nh5 | 11.Qd2 Be7 | 12.O-O-O O-O |
| 13.Rg1 Rc8 | 14.Qf2 Rxc3 | 15.Bxb6 Bxg5+ | 16.Kb1 Bh4 |
| 17.Rg3 Bxg3 | 18.hxg3 Rc7 | 19.Nc5 Qe7 | 20.Nxe6 fxe6 |
| 21.Bxc7 Qxc7 | 22.Bh3 Re8 | 23.Rd3 Nf6 | 24.Qa7 Kf7 |
| 25.Rc3 Qd7 | 26.Qb6 Re7 | 27.Rd3 d5 | 28.exd5 Nxd5 |
| 29.Qc5 Qb5 | 30.Qd6 Nb4 | 31.Rd2 Qc4 | 32.b3 Qc3 |
| 33.f4 Qxg3 | 34.Qxb4 Qxh3 | 35.fxe5 Qe3 | 36.Qd6 h5 |
| 37.Rd1 Qf2 | 38.Qd3 Qg2 | 39.Rf1+ Kg8... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 89 Ans. :**

**36.** ...Qe7 **37.** Qc7 Rxb2+ **38.** Rxb2 Bxb2 **39.** Rxe8+The white rook deflects Black's queen away from protecting the square g7.
**39.** Qxe7 Rxd8 **40.** Qxd8#

মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মতেং পীবীরক্তুনা মখা তাবা পজ্জল খূদিংমক মশান্না অসিবু পামজবা খূদিংমক্কী কান্নবা ওইহন্নবা হোৎনজগনি।

## মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক মাইঞ্জ এফ সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে, দোর্টমুন্দদি থোইখ্রে



বর্লিন, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): জর্মনিগী বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা অদুগা হন্দক্কী চেম্পিয়ন্স লীগতা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা বেয়র্ন ম্যুনিক মাইঞ্জ এফ সীনা লীগ অদুগী মেটচ অমদা ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা ৱোল্ফসবর্গপু ২-০দা থোইখি।

বেয়র্ন ম্যুনিক কুমজা ২০১৯-২০গী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙম্লিবনি। হায়রিবা টিম অসি চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌবনি। টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা শোকপদগী চেম্পিয়ন্স লীগকী মেটচশিং অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিনবা ঙমখিদবনি। অদুবু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বুন্দেসলিগাগী মেটচ অদুদা রোবর্ট লিৱানদোস্কি শরুক য়াবা ঙমখি। বেয়র্ন ম্যুনিকক্কী মায়কৈদা মাইঞ্জ এফ সীনা ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা মাইঞ্জ এফ সীগী জোনাথন বুরকার্টনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা বেয়র্ন ম্যুনিকপু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থাখি। পুংখায় অমা হৌজিল্লবা ফাওবা বেয়র্ন ম্যুনিকক্কী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা লৈখি। তাঞ্জা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা মাইঞ্জ এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা ফিলিপ মেনেনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট রোবিন ক্বাইসননা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না য়াম্না থাজদবা মওংদা বেয়র্ন ম্যুনিকপু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

বেয়র্ন ম্যুনিক মমাংগী মেটচ ৩০ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেটচ ২২ মায় পাকখিবা, অতোপ্পা মেটচ ৫ দ্রো চৎখিবা অমদি মেটচ ৩ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৭১ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইরিবা রাসেনবোলস্পোর্টস লৈপজিগতগী পোইন্ট ১০ হেন্দুনা লৈখি। নাকল অমরোমদা মাইঞ্জ এফ সী টিমগী ২৯শুবা মেটচ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৩১ ফংলগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তানা চথনরকপা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লাকখি। ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা শোক্লুবদগী হল্লকপদা ঙাইরিবা টিম অদুগী রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা পাঞ্জল ১ চল্লগা শোখরম্বা পাঞ্জল ২গী মনুংদা ১ হন্দোক্লগা ১-২দা মায়থীখি।

## এলচেনা লিভান্টে থোইবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী): স্পেনগী লালিগাগী মেটচশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা এলচে অমসুং লিভান্টেগী মরক্তা লম্বা তৌনবদা এলচেনা ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

এলচে অমদি লিভান্টেগী মেটচ অদুগী ৩২শুবা মিনটতা এলচেগী টেটে মোরেন্টেনা পীরকপা বোল অমদা লুকাস বোয়েনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তারকপা মেটচকী মতমদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদদুনা এলচেনা লিভান্টেবু ১-০দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়াল ভালাদোলিদ অমসুং কাদিজ লম্বা তৌনখি। মদুদা ভালাদোলিদকী মায়কৈদগী ওস্কার প্লানোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ২৪শুবা মিনটতা চনখি। অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা রিয়াল ভালাদোলিদকী মায়কৈদগী অমদি কাদিজকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নখিদে।

লীগ অসিগী হৌজিক এটলেটিকো মাদ্রিদনা টিম অদুগী মেটচ ৩২ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৭৩ ফংলগা খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পোইন্ট ৩ হেল্লগা লালিগাগী মকোক্তা লৈরি।

ꯔꯤꯁꯣꯅꯦꯟꯁ

Resonance®
Educating for better tomorrow

LIVE-VIDEO LEARNING PROGRAM (LLP) CENTRE

A TOP Coaching Institute from KOTA, Rajasthan

Now in IMPHAL

Live Video Classes from Experts of Kota

Physical Classes from Subject Expert of Kota

Study Materials from Resonance, Kota

COURSES OFFERED

- 1 Year NEET/ JEE (Main+Advanced) from Class XII > Starting Last Week of April, 2021
- 2 Year Foundation Course for Class IX > Starting Last Week of April, 2021
- 1 Year Foundation Course for Class X > Starting Last Week of April, 2021
- 45 Days Crash Course for NEET 2021 > Starting 10th June 2021

Registration Open now for 100 Seats

For Further Inquiry:
Visit: Nachom Edu Foundation
(An authorised LLP Partner of Resonance Eduventures Ltd. Kota, Rajasthan)

3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
Call: 9402979552 / 8794961535

HL-P/9651/19-28/4

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021

Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



9TH POSITION – NOVEENA KSH, D/o. Sarvodayachand, Nirmalabas
10TH POSITION – CHALTAN Y., S/o. Y. Shantikumar, St. Joseph
15TH POSITION – TH. JEET, S/o. Th. Rashi, St. Joseph
19TH POSITION – DHANTHOI S., D/o. S. Homeshor, Nirmalabas
19TH POSITION – MARY L., D/o. Dr. John P., Little Flower
25TH POSITION – H. NANDIBALA, D/o. H. Nandalal, Nirmalabas
25TH POSITION – HENRY O, S/o. O. Kumud, St. Joseph

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m.

| Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)